## জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা য়ামদ্রবদা জৱান ৩ অমগসু শিখ্রে

***শ্রীনগর, মে, ০৪ (এজেন্সি)ঃ***
জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা থাংজ নুমিৎতা টেরোরিষ্টশিংগা খূৎ থোক্লখিবা অমসুং আর্মিগী কর্নেল ১ অমসুং মেজর ১ য়াওনা পার্সোন্নেল ৫ শিকিবা মফম হন্দৱারাদা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতসু টেরোরিষ্টশিংনা সি আর পি এফ পেট্রোলিং পার্টি অমদা এটেক তৌরকখিবদা য়ামদ্রবদা জৱান ৩ শিখ্রে।

লিখুনশিংনা ফোঙদোকপদা টেরোরিষ্টশিং অদুনা সি আর পি এফ পেট্রোল অমদা পান্দম থল্লকখি অমসুং মখোয়গী মথক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি হায়রি। সি আর পি এফ য়ুনিট অদুনসু এটেক অদু হন্দোকহনখি অমসুং অতৈ সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংদগী থাজিল্লকপা অহেনবা ফোর্সশিং মফম অদুদা থুংলখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

খূৎ থোক্লবদু হৌজিকসু চথরি। ঐখোয়গী নাকন্দা মীশি–মীনা খরা থোক্লে হায়না সি আর পি এফ ওফিসার অমনা হায়খি।

## কাশ্মির তম্পাকপূম্বা, জম্মু দিষ্ট্রিক্ট ৩ কোভিদ–১৯ রেদ জোন ওইনা লাওথোকখ্রে




***জম্মু, মে, ০৪(এজেন্সি)ঃ***
জম্মু এন্দ কাশ্মির এদমিনিষ্টেসননা কোরোনাভাইরসকী ফিভম পূন্না য়েংশিল্লবা মতুংদা অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা লমদনদুনা লৈরিবা মীওইশিং চখোক–চৎশিন তৌবগী ফিভম লৈবনা কাশ্মির তম্পাক পূম্বা অমসুং জম্মু রিজনগী দিষ্ট্রিক্ট ৩ রেদ জোন ওইনা লাওথোকখ্রে।

চীফ সেক্রেটরি বি ভি আর সুব্রমনিয়মনা নোংমাইজিংগী নুমিদাংদা মরি লৈনবা ওর্দর অদু থোকখিবনি। য়ুনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী দিষ্ট্রিক্ট ৪–শ্রীনগর, বান্দিপোরা, আনন্তনাগ, অমসুং সোপিয়ান রেদ জোন ওইনা লেপখি।

সেন্টরনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী এদমিনিষ্ট্রেসনশিংবু মসিদগী হেনবা দিষ্ট্রিক্টশিং রেদ নৎত্রগা ওরেঞ্জ জোন ওইনা লাওথোকপা য়াহল্লি। অদুম ওইনমক দিষ্ট্রিক্ট অমগী জোন ক্লাসিফিকেসন অদু নেমথহনবদি ষ্টেটশিং নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা য়াহন্দে।

য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা মখা তানা থিংগদবশিংগী মনুংদা মেদিকেল সর্ভিসেস, এয়ার এম্বুলেন্স, সেক্যুরিটি পরপোজেস নৎত্রগা হোম এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীবা হিরমশিং খক নত্তনা পেসেঞ্জরশিংগী দোমেষ্টিক অমসুং ইন্টরনেসনেল এয়ার ট্রেভেল পূন্নমক য়ৱওরি।

য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী স্কুলশিং, কলেজশিং, য়ুনিভর্সিটিশিং, এদুকেসনেল অমসুং ট্রেনিং কোচিং ইনষ্টিট্যুসনচিংবা পূন্নমক মে ১৭ ফাওবা নন–এসেন্সিয়েল ওইবা থবক পূন্নমক্কীদমক মী চখোক–চৎশিন তৌবসু নুমিদাং পুং ৭তগী অয়ুক পুং ৭ ফাওবা অথিংবা থল্লি।

সোসিয়েল, পোলিটিকেল, স্পোর্টস, ইন্টরটেনমেন্ট, একাদেমিক, কলচরেল, রিলিজিয়স ফংসন পূন্নমক অমসুং অতৈ মীয়াম পূনবা পূন্নমক য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী মফম পূন্নমক্তা থিংগনি।

লাইনিংগী ওইবা মফমশিং অমসুং লাই খুরুম্ফম পূন্নমকসু মীয়ামগী ওইনা থিংখিগনি। লাইনিংগী ওইবা মীফমশিংদি অমুক্কা হেন্না চেৎনা অথিংবা থল্লি হায়না চীফ সেক্রেটরিনা থোকপা ওর্দরনা হায়রি।

## পাকিস্তানদা কোরোনাভাইরসনা নাবা মীগী মশীং ২০,০০০ রোম হেনখ্রে



***ইস্লামাবাদ, এম, ০৪(এজেন্সি)ঃ***
পাকিস্টানগী কোরোনাভাইরস নাবা অপুনবা মশীং নৌনা মীওই ১,০৮৩ নারকখিবদগী ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা ২০,০০০ হেনখ্রে হায়না হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪দা নৌনা মীওই ১,০৮৩ নারকখিবদগী অপুনবা অনাবা মশীং ২০,১৮৬ শুখি। হায়িরবা মতম অসিগী মনুংদা কোভিদ–১৯ লাইচৎ অসিদগী মীওই ২২ শিখি। মসি থারগা অশিবগী মশীং ৪৬২ য়ৌরে। লৈবাক অসিদা পূন্না অনাবা ৫৫৯০ লায়না অসিদগী ফখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি অদুনা হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা ওথোরিটিজনা টেষ্ট ২,১২,৫১১ পাংথোকখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯না নারিবশিং অদুদি পাঞ্জাব প্রোভিন্সতা ৭,৫২৪, সিন্ধদা ৭,৪৬৫, খায়বর–পাখতুনখৱাদা ৩১২৯, বালোচিষ্টানদা ১,২১৮, ইস্লামাবাদতা ৪১৫, গিলগিদ–বালটিষ্টানদা ৩৬৪ অমসুং পাকিষ্টান ওকুপাইদ কাশ্মিরদা ৭১নি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ নেসনেল হেল্‌ঠ সার্ভিসেসনা ফোঙদোকখ্রে।

ইংলিস পাউ–চে দ দোনগী পাউ অমগী মতুং ইন্না সিন্ধ প্রোভিন্সকী হায়দরবাদ সিটিদা অরুবা ফিভমদা নাবা কোরোনাভাইরস অনাবা অমবু লায়না অসি লায়েংনবগী এক্সপরিমেন্টেল লায়েং অমা ওইনা লাইচৎ অসিদগী ফরকখ্রবা মীওই অমদগী কনভালেসেন্ট প্লাজমা ইনজেক্সন পীখ্রে।

থবক অসি লিয়াকৎ য়ুনিভসিটি হোস্পিটাল (এল য়ু ঐচ) আইসোলেসন ৱার্দকী অফটাব হুসেন ফুলনা অরেপ্পা ফোঙদোকখ্রে।

কোরোনাভাইরস নাবদগী ফরকখ্রবা অনাবা অমনা প্লাজমা অদু লিয়াকৎ য়ুনিভসিটি ওফ মেদিকেল এন্দ হেল্‌ঠ সাইন্সেসকী দাইগ্নোষ্টিক এন্দ রিছার্স লেবোরেটরিদা দোনেট তৌখিবনি।

এপ্রিল ৩০দা পেসিব ইম্যুনাইজেসনগীদমক সিন্ধ গভর্ণমেন্টনা প্রোভিন্স অসিগী হোস্পিটাল ৩বু কোভিদ–১৯ কনভালেসেন্ট প্লাজমা শিজিন্নবগী এক্সপরিমেন্টকীদমক ক্লিনিকেল ট্রায়েলশিং পাংথোকপা য়াহনখি।

হোস্পিটালশিং অদুদি ডো. রুথ ফাউ সিভিল হোস্পিটাল, করাচি, নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ ব্লদ দিজিজেস (এন আই বি দি), করাচি অমসুং হায়দরবাদতা লৈবা গভর্ণমেন্ট ফেসিলিটি এল য়ু ঐচ (লিয়াকৎ য়ুনিভসিটি হোস্পিটাল) নি।

মরকসিদা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা হকশেলগী ৱাথোক অসি থেংননবা গভর্ণমেন্টনা নিংথিজনা পুথোক্লবা লাল্লোং চথদুনা পান্দেমিক অসিগী অকিবদগী লৈবাক অসিনা থোরক্লে হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি কোভিদ–১৯, লাইরবশিংগী রিলিফ পেক্কেজ অমসুং মে ৬তা পার্লিয়ামেন্টকী সেসন ফম্নবা ওপোজিসনগী ৱাফম খন্ননবা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা মাগী বানিগলা রেসিদেন্সতা পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ারকী মতাংদা মাগী এদভাইজর বাবর অৱানগা উন্নখিবা অমদা ফোঙদোকখিবনি।

## চিনাদা কোরোনাভাইরস অমুক হল্লকপা য়াবগী ৱার্নিং তৌখ্রে

***বৈজিং, মে, ০৪(এজেন্সি)ঃ***
প্রোভিন্সিয়েল থাক্কী রিজন ১০দা হৌখিবা চয়োল ২ হেনবদা মফমদুগী ওইনা নৌনা কোরোনাভাইরস শন্দোরক্কুনা অনাবশিং লৈরকখিবগা চিনানা হৌজিকসু কোভিদ–১৯ অমুক হল্লকপা য়াবগী খুদোঙথিবা অদু মায়োক্নরি হায়না মকোক থোংবা হেল্‌ঠ ওফিসিয়েল অমনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱার্নিং তৌখ্রে।

নেসনেল হেল্‌ঠ কমিসন (এন ঐচ সি)না হায়খি, নোংমাইজিং নুমিৎতা নৌনা কোভিদ–১৯ নাবা ৩ থেংনরে। ৩মক অদু মপানলোমদগী থুংলখিবা চাইনিজশিংনি। মপান্দগী পুশিল্লকপা ২ য়াওনা লাইওং উদবা অনৌবা ১৩ অমসু লৈরে। নোংমাইজিং ফাওবগী ওইনা মপান্দগী ৯৮ য়াওনা লাইওং উদবা অনাবা ৯৬২ হৌজিকসু মেদিকেল ওবজার্বেসন মখাদা থল্লি হায়না এন ঐচ সিনা হায়খি।

## GAS TODAY

**G B D Indane**
Booking : 11/02/20
Valid : 07/02/20
Home Delivery Only
Refill Order & Enquary
7629947179
Booking No
7629947187
Time : 07.30 to 12 Noon

**Hiyangthang Indane**
Booking : 07/02/20
Sl. No. : 151 to 350
Time : 07.30 to 10.00 a.m.
Home Delivery Contact No.-
6009260971/ 6381538861

**Hrangchal Gas**
Booking : 21/02/20
Valid : 19/02/20
Time : 08.00 to 12 Noon
Booking 0385-2444677
Enquary -9089024365
(Call / Whatsapp)

**K & K Indane**
Home Delivery Only
Booking : 24/02/20
Valid : 16/02/20
Booking No.-
879426533/ 8729879017
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 27/01/20
Sl. No. : 68703
Contact No.-
883728397/9366471778
Booking No.- 88373494/
8837427636

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 14/01/20
Valid : 07/01/20
Delivery Contact No. -
7085412234/ 7085412126
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : 07/03/20
Valid : Nill
Home Delivery Contact No.-
917005382686
Time. : 08.00 to 11.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 11/02/20
Valid : 07/02/20
Time : 08.00 to 12 Noon
Contact No. -1. Delip-
6909152567/ 9612883295
(Moirang A/C)
2. Ajay - 7005667570 (Thanga A/C)
3. Rojen- 8787381746 (Kumbi A/C)

**Misao Gas Service**
Only Home Delivery
Booking : 05/03/20
Valid : 14/02/20
For Dellevery Service Please Contact -7085738631/ 8119967523- Call Timing : 08.00 to 04.00 p.m.

**Manipur Gas**
Booking : 20/02/20
Valid : 02/02/20
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
Home Delivery Contact No.-
8730954041/ 7005728461/
8259969582

**T. D. K. Gas**
Booking : 11/02/20
Valid : 07/02/20
Contact No. - 8837269355/
6909614353

## মধ্য প্রদেশতা শাদানবশিংনা কাপ্পদা ফোরেষ্টগার্দ অমা শিখ্রে

***ভোপাল, মে, ০৪(এজেন্সি)ঃ***
মধ্য প্রদেশতা কোভিদ–১৯গী লোকদাউন মনুংদা হেন্না নুংঙাইবা মশান্না অমা ওইনা শাদানবশিংনা রিজার্ব ফোরেষ্ট অমসুং ৱাইল্ড লাইফ সেংচুৱারিশিংগুম্বা প্রোটেক্টেদ এরিয়াশিংদা লিৎশন্দুনা শা কাপ্পবা হোৎনবদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা গ্বালিয়ার দিষ্ট্রিক্টকী ফোরেষ্ট এরিয়াশিংদা পেট্রোলিং তৌবা ফোরেষ্ট গার্দ অমা শিখ্রে।

শাদানবা অদুনা ব্লুবুল্লশিং কাপ্পবা লুমদুনা ফিভম শেমদুনা লৈরগা কাপ্পদা ফোরেষ্ট গার্দ অদু শিখিবনি।

ফোরেষ্ট গার্দ অদুগী মমিং দিপু রানা কৌই, মশাগী চহী ২৪ রোম শুরে হায়না দিভিজনেল ফোরে ওফিসার (দি এফ ও), গ্বালিয়রগী অভিনাব পালকনা হায়খি।

শাদানবশিং অদু রামপুর এরিয়াদা খূন্দাবা মোংগিয়া কৌবা শাদানবা ট্রাইবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবসি মখোয় কয়ানো হায়বা খঙদ্রি।

শাদানবা অদু কন্ট্রি–মেদ রাইফল অমা শোয়দনা শিজিন্নরমগনি হায়না দি এফ ও অদুনা মখা তাখি।

## বেঙ্গলনা শিবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংই, সর্ভিলেন্স শোল্লি ঃ সেন্ট্রেল টিম

***কোলকটা, মে, ০৪(এজেন্সি)ঃ***
লৈবাক অসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা কোরোনাভাইরস লাইচৎতগী শিবগী চাং খ্বাইদগী হেল্লি, ৱাংবগী চাং অসি চাদা ১২.৮নি হায়না ইন্টর–মিনিষ্টরিয়েল সেন্ট্রেল টিম (আই এম সি টি) লুচিংলিবা অপুর্বা চন্দ্রনা ষ্টেট চীফ সেক্রেটরি রজিবা সিংহদা ইবা মাগী অরোইবা ওবজার্বেসনশিংদা হায়খি।

ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা সেন্ট্রেল টিম অদু দিল্লিগীদমক কোলকটা থাদোকখিদ্রিঙৈগী মমাঙদা ফাইনেল ওবজার্বেসনশিং অদু পীরমবনি।

শাথিনা ৱাংবা শিবগী চাং অসি টেষ্টিং নেম্বা, সর্ভেলেন্স অমসুং ট্রেকিং শোনবগী ময়েক শেংবা খুদম অমনি হায়না চেরোল অদুদা মিষ্টর চন্দ্রনা হায়খি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলনা মখোয়গী মেদিকেল বুল্লেটিনশিংদা অমসুং য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকা তৌনবা কম্যুনিকেসনদা কোভিদ–১৯গী অনাবা মশীংদা অশোয়বা লৈখি হায়বসি ফংলে হায়না চেরোল অদুদা মিষ্টর চন্দ্রনা ফোঙদেকখি। টিম অদু কোলকটাদা চয়োল ২ লৈরম্মি।

## সমুদ্রদা তাওদুনা লৈরকখিবা রোহিঙ্গা রিফ্যুজিশিং বাংলাদেশ ঈথৎতা কাখৎলকখ্রে

***ধাকা, এম, ০৪(এজেন্সি)ঃ***
বে ওফ বেঙ্গলদা চয়োল কয়ামরুম ঙা ফানবগী হি অমদা তোংদুনা লৈরকখিবা য়ামদ্রবদা রোহিঙ্গা রিফ্যুজি ২৯ খা থংবা বাংলাদেশকী ঈথৎ অমদা কাখৎলকখ্রে হায়না ঙরাং ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



নুপী ১৫, অঙাং ৬ য়াওনা রিফ্যুজিশিং অদু থাংজ নুমিৎতা ভশান চার ঈথৎকী মথক্তা কাখৎলকখ্রে। মখোয় অদু সমুদ্রদা কুইনা লৈরকখিবা হি কয়ামরুমগী মনুংদগী অমদগী ওইরমগনি থাজে হায়না নোৱাখালি দিষ্ট্রিক্টতা মফমদুগী চীফ গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েল টোনমোই দাসনা হায়খি।

রিফ্যুজিশিং অদুগীদমক চিঞ্জাক, ডোক্টরশিং অমসুং পুলিসমেন ১০গী টিম অমা ঈথৎ অদুদা থাখ্রে হায়না দাসনা হায়খি।

কোক্স'স বজার দিষ্ট্রিক্টতা বাংলাদেশকী রিফ্যুজি কমিস্নারগী ওফিসতগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকপদা হায়রিবা থৌদোক অদু ওফিস অসিনা খঙলে হায়খি।

মেদিয়াদা ৱা ঙাংবগী অয়াবা পীদবনা মহাক্না মশক মমিং ফোঙদোক্তনা ৱা ঙাংখি।

মালেসিয়া অমসুং বাংলাদেশকী মরক্তা য়ামদ্রবদা ঙা ফাবা ট্রোল্লর ২দা রেহিঙ্গা চা কয়া চৎফম খঙদনা লৈরি হায়না রাইটস গ্রুপশিংনা হায়রি।

রিফ্যুজিশিং অদুনা মালেসিয়াদা আইননা য়াদবা মওংদা চঙনবা হোৎনখিবনি, অদুবু কোরোনাভাইরস ঙাকথোক্লবা অকনবা মওংদা পেট্রোলশিং তৌবা মরমদগী ঙমখিদবনি।

মুস্লিম লালহৌবশিংনা চথরকখিবা এটেক অমগী পাউখুমদা বুধিষ্টনা মেজোরিটি ওইবা ম্যান্মারনা লালহৌবশিং অদুগী মথক্তা অকনবা ওপরেসন অমা চথবা হৌখিবা আগষ্ট ২০১৭দগী রোহিঙ্গা মুস্লিম ৭,০০,০০০ হেন্না বাংলাদেশতা লাকখি।

গ্লোবেল রাইটস গ্রুপশিং অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ম্যান্মার মিলিটরিগী কেম্পেন অদুবু রেপশিং, মীহাৎশিং অমসুং য়ুম লিশিং কয়া মৈ থাদোক্কুনা ইথনিক অদু মুখৎনবগী কেম্পেননি হায়খি। হৌজিক রোহিঙ্গা লাক্ষ ১০ হেন্না বাংলাদেশতা লৈরি।

## সুরাততা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংগা পুলিসকা খূৎ থোক্লখ্রে, নুঙনা থান্নখ্রে, টিয়ার গ্যাস কাপখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে, ০৪(এজেন্সি)ঃ***
গুজরাতকী সুরাততা মাইগ্রেন্ট লেবররশিংগী কাঙবু অমগা পুলিসকা ঙসি খূৎ থোক্লখ্রে। থবকশুবা শিনমীশিং অদুনা মখোয়বু ময়ুমদা থাবিগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরকখিবনি।



দাইমন্দ অমসুং টেক্সেটাইল ইন্দষ্ট্রিশিংদা থবক শুনবা অতৈ ষ্টেটশিংদগী মশীং য়াম্লবা লেবররশিং লাক্লিবা সুরাততা মাইগ্রেন্টশিংনা প্রোটেষ্ট তৌরকপসি মসিনা ৪শুবনি।

প্রোটেষ্ট তৌরিবা মাইগ্রেন্টশিং অদুনা সুরাতকী মপান্দা ভরেলিগী মার্কেট এরিয়া অমগী মপান্দা পূনখি। মীয়াম পূনবা অদু ঈংথহন্নবা পুলিস কৌখি, অদুবু পুলিস লাক্লবা মতমদা মীওইশিং অদুনা নুঙশিংনা থাবা হৌরকখি। মখোয়বু লাক্সিনবা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপখি।

পুলিসনা অহেনবা ফোর্সশিং থাজিল্লক্লবা কৌখি অমসুং মফম অদুদা অহেনবা পুলিস টিম অমা থারকখ্রে।

সুরাতকী পলানপুর পাতিয়া এরিয়াদসু মাইগ্রেন্টশিংনা চথবা অতোপ্পা প্রোটেষ্ট অমসু তৌখি। হৌখিবা চয়োলদা লেবরর চা কয়ানা মখোয়বু কোরোনাভাইরসকী লোকদাউন মনুংদা থবক শুহল্লি হায়দুনা সুরাততা লৈবা দাইমন্দ বৌরসকী ওফিসশিংগী মপান্দা প্রোটেষ্ট অমা তৌখি। মখোয়গী চানবা লৈত্রে হায়রদুনা মখোয়গী য়ুমদা চৎনবা ওথোরিটিজনা তেংবাংগদবনি। হায়না মখোয়না দিমান্দ তৌখি।

মার্চ থাদা সুরাতকী দাইমন্দ অমসুং টেক্সটাইল ইন্দষ্ট্রিশিংগী এসোসিয়েসনশিংনা মালেমগী অকোয়বদা লোকদাউনশিং তৌনখ্রবা মতুং ব্যুজিনেস তপথখ্রবা ফাওবদা থবক মখা শুনবা ৱারেপ লৌখি।

মীওই লাক্ষ ২০ লোম থবক শুরিবা ইন্দষ্ট্রি ২ অসিনা শেন মাংবগী ৱাফম তোঙান থল্লগা অচৌবা চাংদা থবক ফংদবগী ফিভমদা ৱাহং হংখি।

এপ্রিল ১০দা প্রোটেষ্ট তৌবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর চা কয়ানা লম্বীদা থোক্তুনা গাড়ীশিং অমসুং হেন্দকার্টশিং মৈ থাখি। এপ্রিল ১৫দা লেবররশিং অদুনা সিটি অসিগী ভরাশা এরিয়াদা লম্বী থিংখি।

মাইগ্রেন্টশিংগীদমক স্পিসিয়েল ট্রেনশিং চেলহনবা হৌখিবদগী, য়ুমথংনবা মহারাষ্ট্রগী হেক মথংদা লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরসনা মশীং খ্বাইদগী য়ান্না নাবা ২শুবা ওইরিবা গুজরাততা ঈরাং হেনগৎহনখি। হৌজিক ফাওবদা গুজরাততা মীওই ৫,৪২৮ কোরোনাভাইরস নাখ্রে, অনাবা ১০৪২ ফখ্রে, ২৯০ শিখ্রে।

## কোরোনাভাইরসতগী আমেরিকান লাক্ষ ১ ফাওবা য়ৌনা শিরবা য়াই ঃ দোনাল্ড ট্রম্প

***ৱাসিংটন, এম, ০৪(এজেন্সি)ঃ***
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কোরোনাভাইরস পান্দেমিকতগী শিবা য়াই হায়না মহাক্না পাখিবা অপূনবা মশীং অদুদগী হেন্দোক্লককখ্রবগী তুংদা হৌজিক মহাক্না পান্দেমিক অসিদা আমেরিকান লাক্ষ ১ রোম য়ৌনা শিরবা য়াই থাজে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



অদুবু চহৌ অসি লোইশিল্লকপা ফাওবগী মনুংদা কোরোনাভাইরস লায়েংদুনা ফহন্নবগী ভেক্সিন অমা পুথোক্লক্কনি হায়বসিদা মহাক থাজে হায়খি।

অনৌবা কোরোনাভাইরস মখল অসিনা থোকহল্লিবা কোভিদ–১৯গী লায়না অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মীওই লাক্ষ ১১ হেন্না নাহনখ্রে অমসুং আমেরিকান ৬৭,০০০ হেন্না হাৎখ্রে, অয়াম্বা স্কুলশিং অমসুং ব্যুজিনেস কয়া য়াওনা খুন্নাইগী অয়াম্বা শরুক পাকচাওনা থিংখ্রে।

ঐখোয়না মীওই ৭৫,৮০০ দগী ১,০০,০০০ ফাওবগী মনুংদা মাঙলবা য়াই, মদু অকিবগী মশক অমনি হায়না লাক্ষ ১০ য়ৌদনা শিগনি হায়না ইরাই নুমিৎতা হন্দক্তা হায়খিবা ট্রম্পনা হায়খি।

কোভিদ–১৯ নাবগী মশীং হন্থবা হৌরকখিবা অমসং সিটিজনশিংনা ইকোনোমিবু ৱাহল্লিবা অথিংবশিংদগী অৱাবা কোহন্নবা লাঙতক্নরকখিবগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী তঞ্জায় অমরোমনা হৌজিক য়ামদ্রবদা মচেৎ খরগী ওইনা লোকদাউনশিং লৌথোক্লবগী লমবীদা চংশিনখ্রে।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মাগী লৈবাক্তা কোভিদ–১৯না হেন্না–হেন্না মাঙ তাকহল্লকখিবা, মী হেন্না–হেন্না শিহল্লকখিবদগী ভাইরস অদু চিনানা পুথোকপনি হায়না মরান শীখি।

সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনসু চাইনিজ লেবোরেটরি অমদগী কোভিদ–১৯ থোক্লককখিবনি হায়বগী ইভিদেন্স লৈ হায়খি। অদুবু মসি মীনা শেম্বা নৎতে হায়বা য়ু এস ইন্টিল্লিজেন্স এজেন্সিশিংগী ৱারোইসিন অদুবুদি য়েংখিদে।

## সি আর পি এফ ষ্টাফ ১,০০০ রোম হেদক্কার্টরস সিল্ড তৌখিবদগী ৱার্ক–ফ্রোম–হোমদা থমখ্রে




***ন্যু দিল্লি, মে, ০৪(এজেন্সি)ঃ***
দিল্লিদা হেদক্কার্টরস ওইবা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ)না মফম অদুদা থবক শুবা দ্রাইভর অমা নোভেল কোরোনাভাইরস নৎত্রগা কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইরকখিবদগী মথং নমিৎ নীনি ফাওবা মখোয়গী ওফিস সিল্ড তৌদুনা থমখিবদগী হেদক্কার্টরসতা ওফিসিয়েলশিংবু য়ুমদগী থবক শুনবগী পাউতাক পীখ্রে। চাওরাক্লা ওফিসার অমসুং জৱান ১,০০০ রোম ময়াই থংবা দিল্লিগী হেদক্কার্টরস অদুদগী থবক তৌই।

দিকন্টামিনেসনগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরিবা কাঙলোনশিং অদু ঐখোয়না ইল্লি। মসিগী মমাঙদা ঐখোয়না হেদক্কার্টরসতা চাদা ৩০গী ৱার্ক ফোর্সনা থবক তৌবগী রুলস অদু ইল্লি। অদুবু হৌজিক মদু ঐখোয়না অমুক্কা হেন্না হুম্থহল্লগনি হায়না সি আর পি এফ চীফ এ পি মহেশ্বরিনা হায়খি।

অদুম ওইনমক অয়াম্বা ওফিসারশিং ই–প্লেটফোর্মসদা শন্নবনা মহৌশাগুন্না অদুম থবক চথগনি হায়না পেরামিলিটরি ফোর্স অদুগী দাইরেক্টর জেনরেল অসিনা হায়খি।

গভর্ণমেন্টনা হান্না থোকখিবা গাইদলাইন্সতা দাইরেক্টর রেঙ্ক মথক্কী ওফিসারশিং থবক তৌবা লাক্লবা মেন্দেটোরি ওইহনখি। থবক তৌগদবা জুনিয়ার ষ্টাফকী মশীং সুপ্নগী চাদা ৩০ ওইগদবনি হায়না গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

অদুবু নোংমাইজিং নুমিৎতা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা ফিল্ড ৱার্কতা লৈতবা ওফিসিয়েলশিংগীদমক ৱার্ক–ফ্রোম– হোম তৌনবা পুলিস ফোর্স অসিদা হায়রকখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না মসিনা য়াম্না লৌনগনবা ভাইরস অদু নাগদবদগী ৱার্ক ফোর্স পূম্নবু হুম্থহনগনি হায়রি।

ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী লিরবা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা সি আর পি এফনা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক থেংননবগী পব্লিক এসিষ্টেন্স প্রোগামশিংদা শরুক য়াই। মসিগী থবকশিং অসি মখা চথখিগনি হায়না মিষ্টর মহেশ্বরিনা হায়খি।

অমরোমদা নোংপোক দিল্লিদা লৈবা ৩১ শুবা পটালিয়ানদগী সি আর পি এফ পার্সোনেল ১৪০ রোম হৌখিবা চয়োল ২দা ভাইরস অসি পোজিটিব ওইখ্রে।

সি আর পি এফ চীফ মশামক পোজিটিব ওইবা ওফিসার অমগা শন্নখিবগী মতুং ডোক্টরশিংগী পাউতাক্তগী হৌখিবা থাদা নুমিৎ ২১ সেল্ফ ক্বারেন্টিন তৌখি।

ফোর্স অসিনা মসিগী পার্সোন্নেলগীদমক ক্বারেন্টিনগী নুমিৎ মশীং ১৪দগী ৫দা হন্থহনখিবা করিগুনো হায়বদু থিজিন্নবা ওর্দর অমা হোম মিনিষ্ট্রিনা তৌরকখ্রে।

লিখুনশিংগী মতুং ইন্না সি আর পি এফ ইনস্পেক্টর জেনরেল (মেদিকেল)না মহাক্না নুমিৎ মশীং করিগী হন্থহনখিবনো হায়বগী মতাংদা মরিকুপ্পা পাউখুম পীরকখ্রে।

মহাক্কী পাউখুম অদু য়েংশিল্লি অমসুং মহাক্কী নাকন্দগী থৌশাদবা খরা লৈরম্বা তারবদি থবক লৌখৎকনি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

### সনা–সুদোকু – ৪৫৬ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 5 | 3 | 2 | 9 | 1 | 7 | 4 | 6 |
| 9 | 2 | 7 | 5 | 6 | 4 | 1 | 3 | 8 |
| 1 | 6 | 4 | 8 | 7 | 3 | 5 | 9 | 2 |
| 2 | 3 | 9 | 7 | 5 | 6 | 8 | 1 | 4 |
| 6 | 4 | 5 | 1 | 8 | 9 | 2 | 7 | 3 |
| 7 | 8 | 1 | 3 | 4 | 2 | 6 | 5 | 9 |
| 3 | 1 | 8 | 9 | 2 | 7 | 4 | 6 | 5 |
| 5 | 9 | 6 | 4 | 1 | 8 | 3 | 2 | 7 |
| 4 | 7 | 2 | 6 | 3 | 5 | 9 | 8 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-457**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | | 7 | 9 | | | | 4 |
| | 8 | | | 3 | 1 | | 5 | |
| 9 | | 6 | | 4 | | | | 3 |
| 1 | 6 | | | | 3 | | 4 | |
| | | 7 | | | 6 | | 3 | 9 |
| | | 3 | 4 | | | 7 | | 1 |
| | 5 | 4 | 3 | | | 1 | | |
| | 9 | | 1 | | | 3 | | |
| 6 | | | | | 5 | | 7 | |

## ছতিসগরদা হল্লকপদা আর্মি, পেরামিলিটরি ষ্টাফ ক্বারেন্টিন তৌগনি

***রাইপুর, মে, ০৪(এজেন্সি)ঃ***
লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা ট্রেনিং নৎত্রগা দ্যুটিশিং লোয়রবা তুংদা ছতিসগরদা হল্লকপা পেরামিলিটরি ফোর্সশিং অমসুং আর্মিগী পার্সোন্নেল নুমিৎ ১৪নি ক্বারেন্টিনদা লৈনবা ষ্টেট হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টনা খঙহনখ্রে।

ষ্টেট হেল্‌ঠ সেক্রেটরি নিহারিকা বারিক সিংহনা নোংমাইজিং নুমিৎতা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ, সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্যুরিটি ফোর্স (সি আই এস এফ), বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ), ইন্দো–টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি), ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং এস এস বিগী সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংদা ক্বারেন্টিন প্রোটোকেলশিং শোয়দনমক ঙাক্লবা চেরোলশিং ইখ্রে।

চেরোল অমদা হেল্‌ঠ সেক্রেটরিনা হায়খি, মরি লৈনবা য়ুনিটশিংগী সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল ট্রেনিং, ছুতি, দ্যুটিগুম্বা অমসুং অতৈ কয়াগী তোঙান–তোঙানবা মরমগীদমক ষ্টেট অসিগী মপানদা চৎখি হায়বা হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টনা খঙলে।

পার্সোন্নেলশিং অদুনা ষ্টেট অসিদা অমুক হল্লকপা মতমদা মরিলৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অদুনা শোয়দনমক মখোয়বু তঙাই ফদবা নুমিৎ ১৪নিগী ক্বারেন্টিন তৌহন্নবা দিরেক্টিব পীখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

অতৈ ষ্টেটশিংদগী মখোয় থুংলখিবগা মরিলৈনবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী কলেক্টরশিং অমসুং চীফ মেদিকেল অমসুং হেল্‌ঠ ওফিসারশিংদা পাউ পীগদবনি অমসুং মখোয়গী হকচাং শোয়দনমক টেষ্ট তৌগদবনি।

কাভিদ–১৯গা মরী লৈনবা লাইওংশিং অমা হেক উরকপা তারবদি খুদক্তা হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টতা খঙহনগদবনি হায়না ষ্টেট হেল্‌ঠ সেক্রেটরি বারিক সিংহনা চিঠি অমদা হায়খি।

এন্টি–নকসাল ওপরেসনশিং পাংথোক্লবা ছতিসগরদা, মরুওইনা বষ্টার রিজনদা পেরামিলিটরি ফোর্সশিংগী মশীং য়ান্না লৈ।